জে ঈ ভেক্সিনেসন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): জপনিজ বি এন্সেফলাইটিস ভাইরস পুবা কাঙনা চিকপদগী শক্তে দাকপা লায়না অমা ওইরিবা জপনিজ এন্সেফলাইটিস (জে ঈ) দগী ঙাক-থোক্লনবা হেলপিং হেন্দ য়াইরিপোক্লা শীন্দুনা মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অমা ঙসি য়াইরিপোক কৈথেলদা লৈবা সোসল ইকনমিক এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (সেদো) গী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি) : নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না সাউথ এসিয়া ইনিসিএটিভ টু এন্দ ভাইওলেন্স অগেনষ্ট চিল্ড্রেন (এস এ আই ঈ ভি এ সী)গা খুৎশম্নদুনা ইন্দিয়া হেবিটেট সেন্টরদা চাইল্ড মেরিয়েজগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা নেসনেল কনফরেন্স অমা হৌখ্রে। চহী নৌনা ময়ুম-মকৈ পানবগী থৌওং হ্যুমেন রাইটসকী মীৎয়েংদগী খন্ননবা পান্দমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মীফম পাঙথোকপনি হায়রি।

থা ৬ শাংদোকখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৯ : অসামদা আর্মর্দ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱরস) এক্ট, ১৯৫৮ (অফস্পা) চৎনহনবগী মতম থা ৬ অমগসু শাংদোকহনখ্রে। দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা মথৌ তৌরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা এক্ট অসিনা অহেনবা মতিক-ময়াই পীরি। অফস্পাগী সেক্সন ৩ গী মখাদা অসামগী গভর্নরনা থা ৬ অমগসু ষ্টেটকী মফম শিনবা থুংনা দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখি। তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমসুং এক্টিভিষ্টশিংনা এক্ট অসিগী মরুমদা আর্মর্দ ফোর্সেসনা হ্যুমেন রাইট খোঙ্গাওনৈ হায়বগীদমক অফস্পা লৌথোকখিনবা খোল্লাও লাউদুনা লাকখিবনি।

হান্নগুম থবক হৌরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ : টেক্নিকেলগী খুদোংচাদবা লৈবনা নুমিৎ নিনি মথৌ লেপ্পুরবা রিমসকী বাইওকেমিস্ত্রি দিপার্টমেন্টতা হান্নগুম ইনভেষ্টিগেসন তৌবা হৌরে হায়না মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট সী ঐচ অরুনকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

এদভান্সিং রাইটস ওফ হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর ইন মণিপুর হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুর, সিটিজন কন্সর্ন ফোর দামস এন্দ দিভলপমেন্ট অমসুং কম্মিটি ওফ ওন দি প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিছোর্সেস ইন মণিপুরনা শীন্দুনা এদভান্সিং রাইটস ওফ হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর ইন মণিপুর হায়বা হিরম অসিদা ঙসি খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

HUMAN RIGHTS DEFENDERS IN MANIPUR"
Venue : MANIPUR PRESS CLUB, IMPHAL Time : 10 : 30 A.M. Date : 29th August, 2018
Orgd By :
CENTRE FOR RESEARCH & ADVOCACY MANIPUR
CITIZENS CONCERN FOR DAMS & DEVELOPMENT
COMMITTEE ON PROTECTION OF NATURAL RESOURCE IN MANIPUR

খন্ন-নৈনবা অদুগা মরী লৈননা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রবা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিসু ওকখি।

মহাকপু ওকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা খাইদেম মনিনা হায়খিবদা, মণিপুরদা চহী কয়াগী মমাঙদগী মাঙলুরবা মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসন অসি লৈঙাক্লা নৌনা হিঙ্গৎহল্লে। মহাক্লা হায়, দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস অসি লৌথোকপা নৎত্রগা থন্বগী থবক ষ্টেট লৈঙাক্লা ঙম্মী। কম্মিসন অসিগী চ্যেরমেন ওইনা হিরম অসিদা প্রাইওরিটি পীগনি।

দিষ্টর্ব এরিয়া লৌথোকপা নৎত্রগা লৌথোক্তবগী মতাং অসিদা লৈঙাক্কী অমদি হ্যুমেন রাইট দিফেন্দরশিংগী অপান্থা কুপ্পা নৈনগনি। মরম চারবদি দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্তা তক্লগনি। চ্যেরপার্সন অমা ওইনা লৈঙাক্লা অমদি মীচম মীয়াম্না হ্যুমেন রাইটকী মরমদা অরানবা তৌরক্লবদি কনখৎলোই। মীয়ামগীদমক অফবা অচুম্বা থবক তৌরকপা মতমদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা হ্যুমেন রাইট এলার্টকী দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবা অমা ওইনা পুন্সিদা তঙাইফদনা ফংদবা য়াদবা রাইট খরা লৈ। হায়রিবা ফংফম থোকপা রাইটশিং অসিবু ফংনবগী ৱা ঙাঙলুবা মীয়াম্বু লান্না উবগী চৎনবী অমা লৈ।

অদুবু মতম অমদা থৌনা ফনা মীওই কয়া হাৎনবা হোৎনরম্বশিং হ্যুমেন রাইট দিফেন্দরশিংনা অচুম্বশিং মফম মতম চানা পুথোকপদগী মরাল লৈবশিং কৈশুমশঙ য়ৌবগী মতম য়ৌরে। হ্যুমেন রাইট দিফেন্দরশিংবু ওৎ-নৈবা, অকি-অখঙ নংহনবগী থৌওংশিং চথবীগনু হায়খি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা সিটিজন্স কন্সর্ন ফোর দামস এন্দ দিভলপমেন্টকী কো-কনভিনর অরাম পামৈসু রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা ৱারেপ কয়া অমসু লৌখি।

মণিপুর লৈঙাক্লা হ্যুমেন রাইট দিফেন্দরশিংনা লৌরিবা থৌদাং মশক খঙবগা লোয়ননা মখোয়বু অকি-অখঙ লৈতনা থবক তৌহনগদবনি। থা অসিগী ১৩ দা হ্যুমেন রাইট দিফেন্দর জিতেন য়ুম্নামবু অইবা ওর্দর অমত্তা য়াওদনা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা ফাবা লাকপগী থৌওং অদু লুম্না লৌবগা লোয়ননা হ্যুমেন রাইট দিফেন্দরশিংবু ওৎ নৈবা, অকি অখঙ নংহনবা লেপকদবনি। অফস্পা-১৯৫৮, অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট ১৯৬৭, নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট, ১৯৮০ নচিংবা ইমর্জেন্সি লোশিং মণিপুরদগী লৌথোক্কদবনি হায়বনচিংবা ৱারেপশিং লৌখি।

ওঠোরিটিনা কনখৎতুনা থম্লে : কে সী পি (প্রোগ্রেসিব)

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : বোম পোকখায়হনবা অমদি মী হাৎপা অসিনচিংবা ক্রাইম অমদি শেনখায়-থুমখায়দা চেন্নবা কে সী পিগী মিংচৎ থীহনবা মীওইশিং চৈরাক পীবগী মহুৎতা ওঠোরিটিনা কনখৎতুনা থম্লে হায়না কে সী পি মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিব)না ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতৈগী চেরোল অমনা হায়, তেরা লুক্রাম লৈরক য়ুঠ ক্লবকী লম্পাক্তা কুমজা ২০১৭ কী ওক্টোবর ১৩ দা মেলা পাঙথোক্লিকৈদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ১০ শোকহনখিবা অদু কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিব)কী ওপরেসন মঙালনা থিগৎপদা কনানা তৌবনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে হায়রি।

অসিগুম্বা কাঙবু অসিদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা থবক লৌখৎপগী মহুৎতা খা-ককচীং অমসুং লমাংদোংনচিংবা মফমদা হোং-হোংদুনা এ আরগা লৈমিন্নহন্দুনা মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়বগী থবক চথহল্লি হায়না মরাল শীরক্লি।

থাউ চিংবা গাড়ীশিংগী দ্রাইভরশিংদা নোংমৈ কাপশিনহনবা, রেষ্টুরেন্ট ফম্বী নুপী কাপ্পুনা হাৎহনবা অসিনচিংবা থবক্তসু মীওইশিং অসি ওঠোরিটিনা শীজিন্নৈ হায়বগী মরালসু চেরোল অদুনা শীরক্লি।

তমথীরবা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং লূপ অসিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই হায়না পল্লদুনা ওঠোরিটিনসু ঙসিদগী পারগা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মথৌ তাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়বা ৱাফম থম্লক্লি।

মীওইশিং অসিবু চৈরাক পীদবা তারবদি লৈঙাক অসিনা মখোয়বু ফোংনা শৌগৎলি হায়না লৌদুনা মসিবু মালেম শীন-থুংনা খঙহন্নবা সেপ্টেম্বর ৫ দগী ৬ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা জেনরেল ষ্ট্রাইক চথগনি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

রেগ্যুলরাইজেসন প্রোসেস শেমদোক্তুনা কন্ত্রেক্টতা থবক তৌবা ট্রাইবেলশিংসু লৌশিন্নবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী রুরেল দিভলেপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্টতা এন আর ঈ জি এগী তোঙান তোঙানবা কেটিগরিশিংগী কন্ত্রেক্টতা থবক তৌবা ইমপ্লোয়ীশিংবু রেগ্যুলাইজেসন তৌবা অমসুং লৌশিনবদা হীল দিষ্ট্রিক্টশিংগী ট্রাইবেল ইমপ্লোয়ীশিং য়াওহনখিদবা ঙক্লিঙাই ওই হায়রদুনা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম)না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা রেগ্যুরাইজেসন প্রেসেসকী অশোইবা চুমথোক্লবা অমসুং ষ্টেটকী রিজার্ভেসন রুলসকী মতুং ইন্না হীল দিষ্ট্রিক্টশিংগী ট্রাইবেল ইমপ্লোয়ীশিং য়াওহন্নবা তকশিল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা অটসুমগী জেনরেল সেক্রেটরি সৈবোই হাওকিপনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ৩১ দা থোকখিবা ওদর্য়র অমনা কন্ত্রেক্টতা থবক তৌরিবা তম্পাক্কী ইমপ্লোয়ী ১৯১ রেগ্যুলর তাহনখি তৌইগুম্বসুং অয়াম্বনা সেদ্যুল ট্রাইব (এস টি)শিং ওইনা হীল দিষ্ট্রিক্টশিংগী ইমপ্লোয়ীশিংদি চপ মান্নবা দিপার্টমেন্টতা কন্ত্রেক্টতা থবক তৌবা ওইরবসু রেগ্যুলরাই-জেসনগী প্রোসেসতুদা য়াওখিদে হায়বসি খঙবা ঙম্লে। নীংশিংবা য়াই মদুদি, কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ লৈঙাক্লা এন আর ঈ জি এগী মিংদা খুঙ্গংগী লমশিংগী শেন-থুমগী ফিভম ফগাৎহন্নবগী পান্দমদা চাংয়েংগী প্রোজেক্ট ওইনা কুমজা ২০০৬ তা ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট ১০০ দা পোপ্যুলর স্কিম অসি হৌদোকখি। তুংদা এম জি এন আর ঈ জি এ হায়না খঙনরকখিবা প্রোগ্রাম অসিগী কান্নবা ইহান হান্না ফংখিবা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টমেংলোংনা ওইখি। প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমদি খুঙ্গংগী লায়রবশিংদা মিনিমম সোসল সিক্যুরিটি ফংহনবা অমদি মখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈ ফগাৎহনবনি। মরম অদুনা প্রোজেক্ট অসি অখন্নবা ট্রাইবেল মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎপনি হায়বা য়াই। কুমজা ২০১৪ দা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা প্রোগ্রাম অসি ট্রাইবেল অমসুং শোৎখৌরবা মফমশিংদা পায়খৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ৩১ দা লৈঙাক্লা থোকখিবা ওর্দর অদু প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমগা তায়োন্নৈ হায়রি।

মণিপুরগী ট্রাইবেলশিং শেন-থুমগী লমদা শোৎখনা লৈ হায়বসি খঙনরবা ৱাফমনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, শোৎখৌরবশিংদা থৌজাল উৎপা প্রোগ্রাম অসিগী কান্নবশিং শেল-থুমগী ফিভম ফবা তম্পাক্কী মীওইশিংনা লৌরিবসি ঙক্লিঙাই ওই। ওর্দর অসিমক তম্পাক্কী মীওইশিংনা খুদোংচাবা লৌবগী ময়েক লারবা খুদমনি।

হৌজিক্কী মণিপুরগী লৈঙাক অসিনা *গো টু হীলস* হায়বা মখোয়গী খোল্লাওগা চানগদবা মওংদা ওর্দর অসি চৎনহন্দনবা অমসুং মদুবু হেন্না ইনক্লুসিভ ওইহন্নবা খুদক্তা তঙাইফদবা এক্সন লৌখৎকদবনি নৎত্রবদি কান্নদবদা মদুগী মহৈ ওইনা থোকহন্নিংদবা ইরাং লাক্কনি হায়না চেরোল অসিনা চেকশিনৱা ফোঙদোরক্লি।

লাংবন কৈথেল মেলা পাঙথোক্লগনি : দি দি এ এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : অনীরকশুবা ওইনা লাংবন কৈথেল হায়না মীংথোনবা মেলা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ১৩ দগী ওক্টোবর ৮ ফাওবা ইম্ফালগী হপ্তা কাঙজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা দিসএবল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুর (দি দি এ এম)গী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর অঙৌতোন খুমনননা হায়, অনীরকশুবা ওইনা ইম্ফালগী হপ্তা কাঙজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা লংবন কৈথেল হায়না মীংথোনবা মেলা অসি দি দি এ এমনা শীনবা অমদি দি এস ইন্টরপ্রাইজেস, কৈশামথোংনা স্পোন্সর তৌবনি।

মহাক্লা হায়, মেলা অসিদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টোল য়েলহৌমীগী ওইবা ফুদ ষ্টোল, অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা খুৎ-শা হৈবগী পোৎথোক্কী ষ্টোলগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেলগী ওইবা লৈবাক খরগী ষ্টোলসু হাপ্পবা হোৎনরি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মেলা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা দিসএবল পার্সন কয়া অমা য়ুম-য়ুমদা মপান থোক্তনা লৈশিল্লগা ৱাখল পীকথবগী মওং অমা উজে। হায়রিবা দিসএবল পার্সনশিং অসি মীয়াম তিনবা মরক্তা পুথোক্লগা মখোয়না পুথোক্লিবা খুৎ-শা হৈবগী পোৎথোকশিং কৈথেল অসিদা য়োলহল্লগা মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মেলা অসিদা দিসএবল পার্সনশিংনা ষ্টোল হাংগে হায়না লাকপা মতমদা পৈশা অমতা লৌদনা হাংহনগনি। অদুগা অতোপ্পনা ষ্টোল হাংজগে হায়রগদি ফী লৌগনি। মেলা অসিদা লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না তাংবা, মুৎখিগদ্রা হায়বগী মীপাইনরিবা পোনি হায়রগসু খঙনবা শগোল তোংবগী খুদোংচাবসু মীয়ামদা পীগনি। শা মখল অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা ফংদবা শানি। শা অসিবু মাঙখিগদবদগী কনগে হায়রগদি লৈরিবা মীয়াম অসিদা শা মখল অসিবু নুংশিনবা চঙই। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরটেমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া অমসু উৎকনি।

অনীশুবা লাংবন কৈথেল মেলা অসিদা কনাগুম্বনা অয়েৎ-অপন পীবিগনু। দিসএবলশিংবু পুক্নিং থৌগৎপিয়ু। লমদম অসিদা লৈরিবা দিসএবলশিংবু নুংশিবিবা মীয়াম্না শরুক য়াবিদুনা মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মেলা অসিবু মপুং ফাহনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

এম জেদ পিনা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সি) : অয়াবা য়াওদনা মীতোপ চঙলকপগী মতাংদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তৱা তারবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মিজোরামগী মহৈরোয়শিংগী লূপ মিজো জিরলাই পোল (এম জেদ পি)না ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ-ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)দা এম জেদ পিগী মীহুৎ ওইনা য়াওরিবা রিকি কোলনিনা শিলোং টাইমসতা হায়খি, মদুদি মফম কয়াদা চেক তৌবগী থৌরাং লৌখৎতুনা মাপন লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। জুলাই ৩০ দা অসামগী নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) ফোঙখ্রবা মতুংদা লোন্না চঙশিল্লকখিবা বাংলাদেসি ৪০০ হেন্না অসাম অমুক হলহনখ্রে হায়না এম জেদ পিনা ক্লেম তৌখি। বোর্দর এরিয়াদা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা থৌরাং লৌখৎপদা মিজোরাম পুলিসনা এসোসিএসন অসিগী মতেং পাংখি। এসোসিএসন্না অসাম অমদি মিজেরামগী লোন্নবা ঙমখৈদা চেক পোষ্ট কয়া হাংদোকখি।

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month) CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month) CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018
OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nandiy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mritunjay (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wardiam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonjo (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-B/4797/17/8-15/9

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

8th Position LANCHENBA OINAM HSLC Exam 2018; 94% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)
19th Position DEEPAK OINAM HSLC Exam 2018; 92% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)
ROHIT KHUMUKCHAM HSLC Exam 2018; 75.8% (Man. M. Sc.)
MAIBAM STEPHEN HSLC Exam 2018; 74.5% (Man. M)
LUNGINMANG HAOKIP HSLC Exam 2018; 72.6% (MIL, E)
Classes for new last batches starts from 10th Sept. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- #Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/4822/30/8-30/9

OFFICE OF THE MEDICAL SUPERINTENDENT
REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES HOSPITAL
(An autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

N O T I C E

Imphal, the 29th August, 2018

No. 32/HOSP-INV/RIMSH-15/699: This is to inform to all concerned that routine investigation in the Department of Biochemistry which was suspended for the last 2 days due to technical problem will now be resumed from today i.e. 29th August, 2018 in the Department of Biochemistry of RIMS, Imphal.

Sd/- **Prof. Ch. Arunkumar Singh**
Medical Superintendent,
RIMS Hospital, Imphal

HL-B/4819/30

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XII FOUNDATION COURSE
(3rd Batch) - 2018
Starting of Class : 10th Sept., 2018
Subject Offer: Physics, Chemistry, Mathematics
Class timing: 4.30 pm to 7.30 pm
Managing Director
We nourish your future
HL-B/4820/30Aug&1-28 Sept(Alt.)

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/4774/4/8-4/9

CENTRAL INSTITUTE OF PLASTICS ENGINEERING & TECHNOLOGY (CIPET), IMPHAL
DIRECT ADMISSION - 2018
(FOR LIMITED VACANT SEATS ONLY)
DIPLOMA IN PLASTICS MOULD TECHNOLOGY (DPMT) Entry Qualification - X Passed
DIPLOMA IN PLASTICS TECHNOLOGY (DPT) Entry Qualification - X Passed
POST GRADUATE DIPLOMA IN PLASTICS PROCESSING & TESTING (PGD-PPT) Entry Qualification - B.Sc. Passed
Lateral Entry seats are also available in both DPMT & DPT Courses
Entry Qualification - XII (Sc) Passed
For details call us : +91-841590141, 9862027863, 8974431157
HL-P/5300/30,31&1sept

Apollo Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Foundation Course For:
Class : XI Sc. (COHSEM & CBSE)
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)
VAN Service available
Form Issue : 22 - 08 - 2018
Class Starts : 03 - 09 - 2018
Class timing : 4:20 p.m. - 7:45 p.m.
HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS
Enroll just today and complete your ambition
Faculties : From Reputed Hr. Sec. Schools
For details Please Contact : APOLLO Tutorial Centre (7:00a.m. - 5:00p.m.)
HL-P/5258/22-30Aug&1-11 Sep(Alt.)

EMPLOYMENT NEWS
ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ওইনা Permanent Official Post কীদমক মীওই (নুপা/নুপী) পুন্না **Candidate 71** গীদমক থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি। থবক অসিগীদমক মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা Class X, XII অমসুং Graduation পাস তৌরবা অমদি তম্লিবা মীওইশিংনা Apply তৌবা য়াগনি।
Monthly Income : ₹10,000/- to ₹30,000/-
Facility : Fooding + Lodging + Free Tour
Visiting Hr: 12 noon to 3 pm.
অকক্লবা পোষ্ট মশীংনি। Apply তৌবীনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক ইশাগী Bio-data পুবিরক্লগা ওফিসতা তান্নবীয়ু।
☛ NO DEPOSIT REQUIRED
Contact : ☎ 9774986962, 8414834122
HL-P/3615/28,30Aug&3,5sep.
HL-B/4779/6/8-5/9

/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লক্ষী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স
১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।



২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শক্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (with-out surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
Phone No. 9612225582
HL-B/4802/20/8-19/09